# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা কোকোমি অমদি য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী মীহুৎ কাংবুগা ঙরাং উন্নদুনা মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরিবা রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক সরকারনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।

অমসুং

৩) মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংলগা ঙসি অমসুং হয়েং স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা কোওর্দিনেতিং কমিতি ফোর মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)গী মীহুৎ কাংবু অমদি য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল য়ু.এন.সিগী মীহুৎ কাংবুগা ঙরাং উন্নদুনা মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কোকোমিগী কোওর্দিনেতর থোকচোম সোমোরেন্দ্রোনা লুচিংবা অমদি য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্ট এন.জি. লোরহোনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা বেজ ইয়ার ১৯৫১ ওইদুনা মণিপুরদা

এন.আর.সি চৎনহন্নবগী ৱাফম পল্লি। মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স ওইহল্লকপা অসিগী মতাংদসু মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যপালদা খঙহনখি। রাজ্যপালনসু মণিপুরদা এন.আর.সি চৎননবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি। হিরম অসিগী মতাংদা রাষ্ট্রপতি, শেল থুম মন্ত্রি অমদি কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি লোয়ননা কেন্দ্র সরকারসু খঙই। অদুবু খুদক্তা হেক্তমক থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াদবনা মতম খজিক্তং চংবতনি হায়না রাজ্যপালনা মীহুৎ কাংবু অদুদা ফোংদোরকখি।

রাজ্যপালনা ঙরাং য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী মীহুৎ কাংবুশিংগসু উন্নখি। ফোরম অসিগী মাইকৈদগী রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা মমাং চহিগী মেদগী হৌদুনা থোরকখিবা হিংশা য়াওবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা জিরিবাম, মোরে, চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু অমুক মশা মশাগী মরমদা হন্দুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীনবা অমদি খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা লৌ উরিবা লৌমীশিংগী ঙাকশেলগী থবক মতিক চানা লৌখৎপীননবা ৱাফম পল্লি। লোয়ননা ইরাং অসিগী মনুংদা তুরেল অমদি ঈশিং লাকফমশিংদা ফত্ত-হাউদি হৈথরক্তুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োকহনখিবা অদুগী মতাংদসু চপ চানা থিজিনবীনবা অমদি ইরাং অসিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদসু থিজিনবীনবা ৱাফম পল্লি। রাজ্যপালনা মীহুৎ কাংবুশিং অদুদা সরকারগী মাইকৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং চপ চানা পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

অৱাংবৌ (এল)ঃ ৱাটর রিছোর্স এন্দ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- নুমিৎ হুমি নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মীয়ামা অৱাবা মায়োক রিবা অসি সরকারনা অঙম্বা থাক্তা মায়োকনবা হোৎনরি।

নোং অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং পাথোরকপদগী ঈচাউ

থোকহল্লবা মফমশিং- কংলা, মোইরাংখোম, খুমন লম্পাক, অয়াংপল্লি লম্বী, খুরাই অমদি ইম্ফাল তুরেলগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিংদা ঙরাং মন্ত্রিনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা এদ্দিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার (ফ্লড), ৱাই. হোমেন্দ্রো সিংহ অমদি বিভাগ অসিগী ওফিসিয়েল শরুক য়াখি।

মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী নোং লেপ্তুনা চুরকপা অসিনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অৱাবা মায়োকরে। মহাকা হায়- ঈচাউ অসি থিংননবগীদমক রাজ্য সরকারনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবীয়ু।

কন্ট্রোলরুম (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ঈচাউ অসিনা অৱা অনা নংলবশিংগীদমক মতেং পাংনবা পু ২৪ চুপা মথৌ তৌগদবা কন্ট্রোল রুম অমা মণিপুর রাইফলসকী অহানবা বত্তাল্লিয়নগী বঙ্কেট হোলদা হাংদোকখ্রে। রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঈচাউ অসিগী রেস্কুল, রিলিফ অমদি রিহেবিলিতেসনগী থবক থৌরমশিংদা নিংথিনা থবক পায়খৎপা ঙমবগীদমক কন্ট্রোল রুম অসি হাংদোকপনি। কন্ট্রোল রুম অসি রাজ্যগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুন কুমার সিনহানা লুচিংদুনা মণিপুরগী আই.জি.পি- কে. কবিব, ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার, লোয়ননা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিং, সেক্যুরিতি ফোর্সশিং, পি.এঁচ.ই.দি, ৱাটর রিছোর্সেস, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার, কেফ এন্দ পি.দি, পি.দব্লিউ.দি অমদি পৱার দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা য়েংশিনগনি। ফোন নম্বর- ৯২৩৩৫-২২৮২২, ৯৪৮৫২-৮০৪১৯, ০৩৮৫-২৪৪০০২৮ অমদি ৬৯০৯৫-২৫৮১৬ তা ফোন তৌরক্তুনা কন্ট্রোল রুম অসিগা ফাওনবা য়াগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা কন্ট্রোল রুমগী মোবাইল নম্বর- ৭০৮৫৩-৬৮৬৩৩ দা পাউ ফাওবা য়াগনি হায়রি।

হেল্প লাইন (এল)ঃ মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা চুরকপা অসিনা মরম ওইরগা তুরেলশিংগী ঈশিং পাথরক্লিবা অসিদা অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামগীদমক সরকারনা হেল্প লাইন নম্বরশিং হাংদোক্লে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা নম্বরশিং অসিদা ঈচাউগা মরী লৈননা খুদক্কী খুদোংথিবা থোরকপদা পাউ পীদুনা মতেং লৌবা য়াগনি। নম্বরশিং অদুদি- এস.দি.ও লমফেলগী ওইনা ৭০৮৫৬-৪৮৯১৩, ৮৯৭৪৬-৭৫৫৭৩, এস.দি.ও লমশাংগী ৭০০৫১-৮৪৭১৮, ৮৮৩৭৪-২২০৪০, এস.দি.ও পাৎশোইগীনা ৯৬১২১-৯২৪৪৫, ৮৪১৩৯-৭৩০১৮, এস.দি.ও ৱাংগোইগীনা ৭০০৫৩-৫৭৭২৮, ৯৩৮৩১-১৭২৩৭ নি।

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংলগা ঙসি অমসুং হয়েং স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে। ইজ়কেসন (এস)কী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অমদি য়ুম কৈ ঈশিং থুমজিনবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা স্কুলশিং ছুতি থাদোকখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুর সরকারগী দিপ্যুতি সেক্রেতরি জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা হৌজিক মণিপুরদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা ঙসি পাব্লিক হোলিডে লাউথোকখ্রে। অদুমওইনমক, মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা হোৎনবদা মতেং পাংলিবা রেস্ক্যু অমদি রিলিফ ওপরেসন, তঙাইফদবা সার্ভিসশিং, মরুওইনা হোম, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, পৱার, হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যার, পি.ঐচ.ই, ৱাটর রিছোর্সেস, পি.দব্লিউ.দি, জে.এ.দি, কাফ এন্দ পি.দি.এ, এম.আই, ফোরেষ্ট অমদি এল.দি.এনচিংবা বিভাগশিংগী ওইনদি ছুতি ওইরোই হায়রি।

পোষ্টপোন্দ (এল)ঃ   মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈরিবা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী বি.ই অমদি এম-টেক প্রোগ্রামগী ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা এদমিসন টেষ্ট অদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঈচাউ থোরকপনা মরম ওইরগা পরিক্ষা অসি য়ৈথোকপনি।

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ   ওল ইন্দিয়া ইন্তর সাই সেপাক তাক্রৌ তুরনামেন্ট ২০২৪ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাই এস.টি.সি ইন্দোর হোলদা ঙরাং হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসি স্পোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্তরনা মপুংওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকপনি। তুরনামেন্ট অসিদা টিম ৫ গী ওফিসিয়েল ৯ য়াওনা অপুনবা এথলেট ১০০ না শরুক য়ারি।

হয়েং ফাওবা চত্থগদৌরিবা তুরনামেন্ট অসিদা সেনিয়র মেন্স অমদি ৱিমেন্না টিম অমদি দবলগী ইভেন্টশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। অদুগা জ়নিয়র বোইজ অমদি গার্লসকী ওইনা রেগু অমদি ক্বাদ ইভেন্টশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্তা- ঈচাউগী চৈথেং কোক্রিঙৈ অমুকসু ঈশিং ঈচাউ মায়োকরে, ইরিল তুরেল মফম অহুম, কোংবা তুরেলগী মফম অনিদা তোর্বান কায়রে হায়না ফোতোগা কোন্ননা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- তমথিরবা লাননা মীতৈ মপুরোইবা অমসুং মচাশিংগা শেৎনা খাইনবা ঙমদ্রবী পাইতে নিংঙোল অমা মপুরোইবগী তুং ইনদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরি হায়বা পাউ অসি এনকর কলমদা ফোংলি।

পোকফমদা- পার্লিয়ামেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাক্কী ৱারোল

থমখ্রে, ৱা ঙাংবা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা মণিপুর কল্লু হায়না লাউরবসু পি.এমনা করি অমত্তা নাচুংপিখিদ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- নোংজ্গী ফল সেনাপতিদা অমা শিরে, অমা ফংদ্রি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সেকমাই পরাউদগী মহারাবী তাবা লন্বী ফাওনবা য়াখিদ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মণিপুরগী ইসুদা কংগ্রেসনা পোলিতিসাইজ তৌবগী এপোলোজি তৌগদবনি হায়বা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ওনলাইনদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংগদবা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোকপদা য়ু.কেগী প্রোফেসার অমনা থৌদাং লৌরি হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ম্যান্মারগী লান ইন্দিয়ান বোর্দরদা নকশিল্লক্লি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাগী লৌফম কয়া তুরেল ঈশিং পাথরকপদগী থুমজিনখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা কংগ্রেস এম.পি. বিমোল অকোইজমনা পীখিবা পার্লিয়ামেন্ট স্পিচকী ভিদিও ভাইরেল চৎলে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- কোকোমি অমদি য়ু.এন.সিগী লুচিংবশিংনা গর্ভনর উন্নদুনা অথুবদা মণিপুরদা এন.আর.সি চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চমদা- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস ৱার্কসোপ অমা তমেংলোং কলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------